# মিয়ামী ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভ অমসুং য়ুএসকী জোন ইসনর লম্বা তৌনরগনি

মিয়ামী, মার্চ ৩০ঃ

য়ুএসএগী ষ্টেট অমা ওইরিবা ফ্লোরিদাদা লৈবা মিয়ামী সিটিদা পাঙথোক্লিবা মিয়ামী ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ৪শুবা সিদেদ জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভ অমসুং ১৪শুবা সিদেদ য়ুএসএগী জোন ইসনর লম্বা তৌনরগনি।

৪শুবা সিদেদ শান্নরোই জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল মেটচতা ১৬শুবা সিদেদ শান্নরোই স্পেনগী পাব্লো কারেনো বুষ্টাবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীরম্বনি।

সেমি ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদুদা শান্নরোই অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা মায়োক্লদুনা শান্নরকখিবা মরম্না টাই ব্রেক ফাওবা য়ৌরকখি। টাই ব্রেক অদুদা এক্সপরিয়েন্স হেল্লবা জর্মনিগী জ্বেরেভনা ৭–৪ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা মাঙজিল থারবা জ্বেরেভনা অনীশুবা সেট অদুদা হেন্না ফজবা মশান্না শান্নবা ঙমখিবদগী স্পেনগী কারেনো বুষ্টাগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–২ দা থোইদুনা মিয়ামী ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভনা ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা ১৪শুবা সিদেদ জোন ইসনরনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল মেটচতা ৫শুবা সিদেদ আর্জেন্টিনাগী দেল পোত্রোবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা থোইরমখি।

অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদুদা য়ুএসএগী শান্নরোই জোন ইসনরনা পোত্রোগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা য়াম্না কোন্না থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। সেট অমা শোথরবা দেল পোত্রোগী মায়কৈদগী অনীশুবা সেট অদুনা য়াম্না কন্না শান্নবা ঙমখ্রবসু টাই ব্রেক্তা ৭–২ দা থোইদুনা মিয়ামী ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

মিয়ামী ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা ৬শুবা সিদেদ শান্নরোই লাটভিয়াগী জেলেনা ওষ্টাপেনকো অমসুং ১৪শুবা সিদেদ শান্নরোই য়ুএসএগী স্লোনে ষ্টেফেন্সনা টাইটলগীদমক লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ফাইনেল মেটচতা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই য়ুএসএগী বোব ব্রাইন অমসুং মাইক ব্রাইননা রুশিয়াগী পেয়র কারেন খাচানোভ অমসুং এন্দ্রি রুব্লেভকা লম্বা তৌনরগনি।

৪শুবা সিদেদ পেয়র ওইরিবা য়ুএসএগী পেয়র বোব ব্রাইন অমসুং মাইক ব্রাইননা ঙসি শান্নখিবা মখোয়গী সেমি ফাইনেল মেটচতা জপানগী বেন মেকলাক্লান অমসুং জর্মনিগী জান লেনার্দ ষ্ট্রুফপু ৭–৫, ৬–৪ দা থোইরম্বনি। অদুগা রুশিয়াগী পেয়র কারেন খাচানোভ অমসুং এন্দ্রি রুব্লেভনা মখোয়গী সেমি ফাইনেল মেটচতা য়ুএসএগী পেয়র সাম ক্বেরি অমসুং ষ্টিভ জোনসনবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–৩, ৬–১ দা থোইরম্বনি।

মিয়ামী ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী ফাইনেলদা ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টি অমসুং য়ুএসএগী কোকো ভান্দিৱেগিনা মখোয়গী সেমি ফাইনেল মেটচতা নম্বর ৱান সিদেদ রুশিয়াগী একাটেরিনা মকারোভা অমসুং এলিনা ভেসনিনাবু ৩–৬, ৬–২, ১০–৭ তা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টি অমসুং য়ুএসএগী কোকো ভান্দিৱেগিনা ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা জেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভা অমসুং কেটারিনা সিনিয়াকোভানা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা বেলজিয়মগী এলিসি মার্টেন্স অমসুং ওষ্ট্রিয়াগী দেমী স্কুর্সপু ৪–৬, ৬–৩, ১১–৯ দা থোইরম্বনি। সিনিয়াকোভাগা লম্বা তৌনরগনি।



মিয়ামী ওপন টেন্নিসকী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা জ্বেরেভ অমসুং ইসনর

# ওষ্ট্রেলিয়ানা ইংলেন্দবু রন ৫৭তা মায়থিবা পীদুনা লৈবাক অহুমগী ত্রাই সেরিজ টি –২০গী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে

মুম্বাই, মার্চ ৩১ঃ

হন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকপা লৈবাক অহুমগী টি–২০ ত্রাই সেরিজ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ওষ্ট্রেলিয়াগী নুপীগী টিম্না ইংলেন্দগী টিমম্বু রন ৫৭তা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

নুপীগী লৈবাক অহুমগী ওইবা টি–২০ ত্রাই সেরিজগী য়ুম্বু ওইখিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং লিগ মেটচতা শান্নখিবা মেটচ ৪গী মনুংদা ৩ মায়থিরগা মেটচ অমখক মায়পাকপা ঙমখি।

ঙসি ইন্দিয়াগী সিটি মুম্বাইদা লৈবা ব্রাবোর্ন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং ইংলেন্দগী শান্নরোইশিংনা লম্বা তৌনরকপদা টোস অদু ইংলেন্দনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা ওষ্ট্রেলিয়াগী নুপীগী বেটচৱুমেন্সশিংনা অপীবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৪খক আউট ওইরগা রন ২০ লৌবা ঙমখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী ওপন্নর বেথ মুনি ইন্নিংস অদুগী অহানবা বোলদা রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আউট ওইখি। বেট মুনিবু ইংলেন্দগী টাস ফরান্টনা আউট তাহনখিবনি। ওষ্ট্রেলিয়াগী ইন্নিংস অদুগী স্কোরবোর্দতা রন অমখক লৈরিঙৈদা টিম অদুগী অহানবা ৱিকেট তুখিবনি।

ওপন্নর এলিসা হিলি অমসুং অহুমশুবা শান্নরোই এসলি গার্দনরনা টিম অদুগী অনীশুবা ৱিকেট পার্টনর্সিপকী ওইনা রন ৬১ হাপচিনবা ঙমখি। এসলি গার্দনর মহাক্কী ইন্নিংস অদুদা বোল ২০ মায়োক্লবদা সিক্স ৩ অমসুং ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৩৩দা আউট ওইখি। মহাকপু ইংলেন্দগী বোল্লর জেনি গুননা আউট তাহনখিবনি।

গার্দনর আউট ওইখ্রবা মতুং ওষ্ট্রেলিয়াগী অপুনবা স্কোর অদু ৬২ লৈরম্বদগী শুপ্নগী রন ৪খক হাপচিল্লগা লৈরিঙৈ ওপন্নর এলিসা হিলি মশাগী রন ৩৩দা আউট ওইখি। মহাক্না ইন্নিংস অদুদা বোল ২৪ মায়োক্লবদা সিক্স অমগা ফোর ৫ য়ৈরম্লদা ওষ্ট্রেলিয়াগী অপুবা স্কোর অদুদা য়াম্না চাউবা মতেং পাঙলমখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী বেটচৱুমেন ৩ আউট তাখ্রবা মতুং কেপ্তেন মেগ লান্নিং অমসুং এলিজ ভিলানিনা য়াম্না ফজবা ৪শুবা ৱিকেট পার্টনর্সিপকী ওইনা হান্না লৈরম্বা রন ৬৬তগী মখাতানা রন ১৩৭ হাপচিন্দুনা লৈবাক অদুগী অপুনবা স্কোর অদু রন ২০৫ য়ৌহনবা ঙমখি।

এলিজ ভিলানি শুপ্নগী বোল ৩০ মায়োক্লবদা ফোর ৮ য়ৈরগা মশাগী রন ৫১দা আউট ওইদুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী স্কোরবোর্দতা রন ২০৫ লৈরিঙৈদা মহাক ইন্নিংস অদুগী ওভর ১৯গা বোল ৩দা আউট ওইখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী কেপ্তেন মেগ লান্নিং ইন্নিংস অদুগী লোইশিল্লকপা ফাওবদা আউট ওইদনা বোল ৪৫দা সিক্স ১গা ফোর ১৬ য়ৈদুনা রন ৮৮ লৌদুনা লৈখি।

ইংলেন্দদা মেটচ অদু মায়পাক্লবা লৈখিবা রন ২১০গী তার্গেট অদু য়ৌনবা হোৎনরকপদা টিম অদুগী বেটচৱুমেন ৯ আউট ওইরগা ওভর ২০দা রন ১৫২খক লৌখিবদগী ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা শান্নবা লৈবাক অহুমগী টি–২০ সেরিজগী ফাইনেল অদু ওষ্ট্রেলিয়ানা রন ৫৭তা মায়থিবা পীখিবনি।

ইংলেন্দনা ত্রাই সেরিজ অদু মায়পাক্লবা হোৎনরকপদা রন ২১০ গী টার্গেট লৈখিবনি। ওপন্নর ব্রিয়োনি স্মিথ রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আউট ওইখি। মহাক্কী মতুং চঙলকখিবা টামি বিয়ুমোন্টসু হেক চঙলকপগা রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আউট ওইখি।

ইংলেন্দগী ইন্নিংস ৱিকেট ২ তুবদা রন ১৪ খক লৈখি। মখা তারকপদা ওপন্নর দেনিএল ৱাইট অমসুং নটালিল স্কিভরনা অপুনবা রন ৪৭ শুহল্লকখি। ৱাইট রন ৩৪দা আউট ওইখ্রবা মতুং কেপ্তেন এমি এলেন জোন্স শান্নবা চঙলকখি।

জোন্স বোল ২৮দা ফোর ২ য়ৈরম্লগা রন ৩০দা আউট ওইখি। মহাক্কী মতুং ফ্রান ৱিলসন শান্নবা লাকখিবনি। ইংলেন্দগী অপুনবা স্কোর অদু ১৪০ য়ৌরকপদা ৱিলসন রন ১৪দা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শিল্লকখিবা এলিজ দেবিসন রন অমখক লৌরম্লগা আউট ওইখিবদগী মখাতানা টিম অদুগী শান্নরোই অনী শান্নরকপদা ওভর ২০ লোইশিল্লকপদা ইংলেন্দগী বেটচৱুমেন ৯ আউট ওইরগা রন ১৫২ খক লৌখিবদগী লৈবাক অহুমগী টি–২০ সেরিজগী ফাইনেল মেটচ অদু ওষ্ট্রেলিয়ানা ইংলেন্দবু রন ৫৭তা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।




মিয়ামী ওপন টেন্নিসকী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা ওষ্টাপেনকো অমদি ষ্টেফেন্স

# গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্থ গেমসতা মণিপুরদগী হৌখিবা চিংলেনসনানা ভাইস কেপ্টেন ওইরগনি, কোথাজিৎসু য়াওরি

ন্যু দিল্লি, মার্চ ৩১ঃ

গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্থ গেমস শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিমদা মণিপুরদগী চিংলেনসনানা ভাইস কেপ্টেন ওইরগনি। লোয়ননা ষ্টেট অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই কোথাজিৎসু টিম অসিদা শরুক য়ারি।

এপ্রিল থাগী ৪ দগী ১৫ ফাওবা ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি গোল্ড কোষ্টতাপাঙথোক্কদৌরিবা কম্মনৱেল্থ গেমসকী নুপাগী হোক্কিদা শরুক য়ারুনবা ইন্দিয়াগী শান্নরোই ১৮ খনগৎখিবনি।

ইন্দিয়াগী টিম কেপ্টেন মনপ্রিত সিংহনা ওইগনি অদুগা মণিপুরগী কাঙুজম চিংলেনসনা সিংহনা ভাইস কেপ্টেন ওইগদৌরি।

গ্রুপ (বি) দা পাকিস্থান, ইংলেন্দ, মালেসিয়া অমসুং ৱেল্স য়াওরি। পনবা য়াই ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিম হৌখিবা কম্মনৱেল্থ গেমস সিলভর মেডল ফংহৌবনি।

নেদরলেন্দসকী কোচ সিওর্দ মারিনেগী লমজিং মখাদা এপ্রিল ৭ তা পাকিস্থানগা অহানবা মেটচ অদু শান্নগদৌরি। গেমস অসিগী ওইনা নুপাগী হোক্কিদা ১৯৯৮ তগী শরুক য়াখিবা ইভেন্ট অদুগী গোল্ড মেডল ৫রক ওষ্ট্রেলিয়ানা লৌদুনা লাক্লি।

মমাঙগী গেমস অনীদা ইন্দিয়ানা সিলভর ফংখিবা অদুসু ওষ্ট্রেলিয়াগী মখুত্তা ফাইনেলদা মায়থিখিবনি।

পাকিস্থানগী টিম অসি হৌখিবা চহীদা ইন্দিয়াগা শান্নখিবা মেটচ ৪ ইন্দিয়ানা মায়থিবা পীবা ঙমখি। মমাঙগী চহীদা ইন্দিয়াগী হান্না কোচ ওইরম্বা রোলেন্ট ওল্টমেন্সকী মহুৎ মারিনেনা থবক চখরকপনি।

মহাক্না ইন্দিয়াগী কোচ ওইরবা মতুং টুর্নামেন্ট ৩ শরুক য়াবা ঙমখি। এসিয়া কপ, হোক্কি ৱার্ল্ড লীগ অমসুং সুল্টান অজলান সাহা কপনি।

মহাক্কী লমজিং মখাদা চহী খরা হেল্লবা শান্নরোই সরদার সিংহ, রমনদিপ সিংহ অমসুং এসকে উথাপ্পা শান্নরোই ১৮ গী লিষ্ট অদুদা য়াওখিদবনি। মখোয়গী মহুত্তা অনৌবা শান্নরোই বিবেক প্রসাদ অমসুং দিলপ্রিত সিংহ য়াওরি।

ইন্দিয়াগী এসিয়া কপকী গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখি। অদুগা হোক্কি ৱার্ল্ড লীগতনা ব্রোঞ্জল মেডল ফংবা ঙমখি।

মতম কুইনদগী লম্বা ওইদুনা লাক্লবা পাকিস্থানগী নুপাগী হোক্কি টিম অসি হান্না ইন্দিয়াগী কোচ ওইরম্বা রোলেন্ট ওল্টমেন্সনা ওইরি। অদুনা লৈবাক অনীগী মেটচ অদুদা হেন্না নুংঙাইবা তাঞ্জা অমসু ওইগদৌরি।

পুল (বি) দা লৈরিবী টিমশিংগী মনুংদা ইংলেন্দ ইন্দিয়ানা চেকশিন্না শান্নবগী তাঞ্জা অমা থমগদৌরি। মালেসিয়াগী টিম ইন্দিয়াগা মেটচ ১১৫ থেংনখিবদা মেটচ ৮০ থোইদুনা লাক্লি। মেটচ ১৮ অমনা দ্রো চৎলগা মেটচ ১৭ খক মায়থিবা নংলি।

অদুবু ৱেল্সকী টিম অসিগা ইন্দিয়াগা শান্নখিবা মেটচ অমত্তা মায়থিবা নংদ্রি।

পাকিস্থানগা এপ্রিল ৭ তা শান্নরবা মতুং ৱেল্সকা এপ্রিল ৮ দা শান্নগনি। মালেসিয়াগা এপ্রিল ১০ দা থেংনরগা গ্রুপকী অরোইবা মেটচ অদু এপ্রিল ১১ দা ইংলেন্দগা শান্নগদৌরি।

পুল (এ) দা মমাঙগী চেম্পিয়ন ওষ্ট্রেলিয়া, ন্যু জিলেন্দ, সাউথ অফ্রিকা, কানাদা অমসুং স্কোটলেন্দ লৈরি।

ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়ারিবা শান্নরোইশিং অদুদি গোলকিপরদা পি আর শ্রিজেস অমসুং সুরজ কার্কিরা, দিফেন্দরদা রুপিন্দর পাল সিংহ, কদাংবম কোথাজিৎ সিংহ, অমিত রোহিদাস, গুরিন্দর সিংহ, বরুন কুমার অমসুং হর্মনপ্রিত সিংহনি।

মিদ ফিল্ডদা মনপ্রিত সিংহ (কেপ্টেন), কাঙুজম চিংলেনসনা সিংহ (ভাইস কেপ্টেন), সুমিত অমসুং ভিভেক সাগর প্রসাদ, অদুগা ফোরৱার্দতা অকাসদিপ সিংহ, ললিতকুমার উপাধে, সুনিল সোমরপেট ভিটালাচারিয়া, গুরজান্ট সিংহ, মন্দিপ সিংহ অমসুং দিলপ্রিত সিংহনি।




# ইংলিস প্রেমিয়র লীগতা লিভরপুল, লৈকেষ্টর সিটি অমসুং মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ মায় পাকখ্রে, লা লীগাদা জিরোনা অমসুং লেভান্টে দ্রো চৎখ্রে

লন্দন / মাদ্রিদ , মার্চ ৩১ঃ

ইংলেন্দদা পাঙথোকপা মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ইংলিস প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা লিভরপুল, লৈকেষ্টর সিটি অমসুং মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ মায় পাকখ্রে। স্পেনগী লা লীগাদা জিরোনা অমসুং লেভান্টে পাঞ্জল ১–১ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে।

ইংলিস প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা লিভরপুলনা ক্রাইষ্টেল পেলেসপু পাঞ্জল ২–১ দা থোইবা ঙমখি।

মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ১৩শুবা মিনটতা ক্রাইষ্টেল পেলেসনা ফংখিবা পেনাল্টি অমগী মতেংনা টিম অদুগী শান্নরোই লুকা মিলিভোজেভিসনা চনবা ঙমদুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুনা অহানবা হাল্ফকী শান্নবা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপা অদুদা পাঞ্জল অমা শোথরিবা লিভরপুলগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক কয়া তৌদুনা শান্নরকখি। শান্নবগী ৪৯শুবা মিনটতা টিম অদুনা চখরকখিবা এটেক অমদা সাদিও মানেনা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা টিম অনীমক য়াম্না মান্নবা মওংদা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নরকপা অদুদা মতম খরা পাঞ্জল লৈনরুদ্রবা মতুং শান্নবগী ৮৪শুবা মিনটতা লিভরপুলগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা টিম অদুগী মরুওইবা শান্নরোই অমা ওইরিবা মোহমদ সালানা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা মেটচ অদু লিভরপুলনা ক্রাইষ্টেল পেলেসপু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

ইংলিস প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা লৈকেষ্টর সিটিনা ব্রাইটোন এন্দ হোভস অলবিওনবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অদুগী টিম অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্লখিবা মরম্না অহানবা হাল্ফকী অপীবা মতম মিনট ৪৫ শান্নরকপা অদুদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবগী হৌরকপা শান্নবগী ৭৭শুবা মিনটতা ব্রাইটোন এন্দ অলবিওননা ফংখিবা পেনাল্টি অদু পাঞ্জল চনবা ঙমখিদে। শান্নবগী ৮৩শুবা মিনটতা লৈকেষ্টর সিটিগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা ভিসেন্ট ইবোরানা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ব্রাইটোন এন্দ অলবিওনবু পাঞ্জল ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মতম খরা পাঞ্জল লৈনরুদ্রবা মতুং শান্নবগী ৯০শুবা মিনটতা পাঞ্জল মাঙজিল থারিবা লৈকেষ্টর সিটিগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা জেমী ভর্দিনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু লৈকেষ্টর সিটিনা ব্রাইটোন এন্দ অলবিওনবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অদুগী শান্নবা হৌরকপা শুপ্নগী মিনট ৫ চঙশিল্লকপদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী রোমেলু লুকাকুনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা স্বান্সে সিটিবু য়াম্না ঙন্না মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

শান্নবগী মখা চখরকপা স্বান্সে সিটিবু মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থাদুনা লৈখ্রবা মতুং মেটচ অদুগী ২০শুবা মিনটতা ইংলিস প্রেমিয়র লীগ অসিগী মকোক থোংবা টিম অমা ওইরিবা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী এলেসিস সঞ্চেজনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা স্বান্সে সিটিবু ২–০ দা হেন্দুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ লোইদ্রিঙৈ মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা স্বান্সে সিটিবু ২–০ দা মাঙজিল থাখিবা অদু অনীশুবা হাল্ফকী মিনট ৪৫ শান্নবা অদুদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙম্মদবদগী ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী লীগ মেটচ অদুদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা স্বান্সে সিটিবু পাঞ্জল ২–০ দা থোইখি।

স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা লা লীগাগী মেটচ অমদা লিভান্টে অমসুং জিরোনা পাঞ্জল অমমম চন্নরগা পোইন্ট অমমম ফংনখ্রে।

মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী শান্নখিবা মশান্না অদুদা পাঞ্জল চন্নবা ফনা কন্না হোৎনখ্রবসু স্কোর বোর্দতা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী অনীশুবা হাল্ফতা টিম অনীগী শান্নরোইশিংনা অহেনবা মিৎয়েং থমদুনা পাঞ্জল চন্নবগী শেম শাখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা ইকুই কাইদ্রিঙৈ ৯শুবা মিনট মেটচকী ওইনা ৫৪শুবা মিনটতা জিরোনাগা মায়কৈদগী এলেক্স গ্রানেলনা লিভান্টেগী মায়কৈদা পাঞ্জল অমা চনশিনবা ঙমখি।

লিভান্টেগী শান্নরোই পাঞ্জল অমা শোথদুনা লৈখিবা অদু হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনখি।

টিম অদুগী মায়কৈদগী জোস লুইন মোরালেসনা মেটচকী ৬৮শুবা মিনটতা জিরোনানা চনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্কুনা মেটচ অদু পাঞ্জল অমমমদা লৈনখি।

মখা তাবা মেটচ অদুগী শান্নরকপা জিরোনা অমসুং লিভান্টেগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল অমমম মান্নদুনা লৈখ্রবা মতুং অহেনবা পাঞ্জল অদু চন্নবা ঙমখিদবদগী পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখি।

য়ুরোপকী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী মনুংদা মকোক থোংবা লৈবাক অমা ওইরিবা ইটালিগী ফুটবোল ক্লবশিংগী মনুংদা মকোক থোংবা ওইরিবা সেরি এগী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা এএস রোমা অমসুং বোলোগনা পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখি।

মেটচ অদুগী হৌরকপা মিনট ১৮ চঙশিল্লকপদা বোলোগনাগী মায়কৈদগী এরিক পুলগারনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখ্রবা মতুং অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা রোমাগী মায়কৈদগী ইদিন জেকোনা ৭৬শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা মেটচ অদু টিম অনীমক পাঞ্জল অমমমদা দ্রো চৎখি।



লিভরপুল অমসুং ক্রাইষ্টেল পেলেসকী শান্নরোই অনীনা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী মেটচ অমদা বোল মুন্নবা

# ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই সমির ভর্মা ওর্লিয়েন্স ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৮ কী সেমি ফাইনেলদা মায়থিহৌরে

ওর্লিয়েন্স, মার্চ ৩১ঃ

ফ্রান্সকী সিটি ওর্লিয়েন্সতা পাঙথোকপা ওর্লিয়েন্স ওপন ৱার্ল্ড সুপর ১০০ টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই সমির ভর্মা সেমি ফাইনেলদা মায়থিহৌরে।

টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোই সমির ভর্মনা নেদরলেন্সকী টুর্নামেন্ট অসিদা ৪শুবা সিদেদ ওইরিবা মার্ক কালজোগা অকনবা লম্বা থেংনরগা গেম ১–২ দা মায়থিবা নংদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদ্রে।

ওর্লেন্স ওপন বেদমিন্টন অদুগী নুপাগী সিঙ্গলস সেমি ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী টুর্নামেন্ট অদুগী নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা সমির ভর্মনা ৪শুবা সিদেদ ওইরিবা নেদরলেন্দসকী মার্ক কালজোবু অহানবা গেমদা অকনবা লম্বা থেংনরগা ২১–১৮ দা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা গেমদা নেদরলেন্দসকী শান্নরোই অদুনা সমির ভর্মগী অশোনবা মায়কৈদা লম্বা পীদুনা লাকশিনবা ঙমখিবদগী ২১–১৩ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল মেটচ অদুগী অনীশুবা গেম অদু নেদরলেন্দসকী শান্নরোই অদুনা থোইখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং গেম অদুদা সমির ভর্মবু নেদরলেন্দসকী মার্ক কালজোনা খুদোংচাবা হেন্না ফংখিবদগী ২১–১২ তা থোইদুনা ওর্লিয়েন্স ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস অসিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই ৫শুবা সিদেদ ওইখিবা পরুপল্লি কাশ্যপ ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই দেনমার্ককী আর গেমকিগা লম্বা তৌনবদা ১৮–২১, ১৪–২১ দা মায়থিদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমদনা লৈহৌখি।

গেমকিনা সেমি ফাইনেলদা ফ্রান্সকী শান্নরোই লুকাস ক্লেবোটকা লম্বা তৌগদৌরি। ক্লেবোটনা ক্বার্টর ফাইনেলদা জর্মনিগী এ রুবর্সপু ২১–১৩, ১৯–২১, ২১–১৭ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখিবনি।

নুপাগী ওর্লিয়েন্স ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেলদা নেদরলেন্দসকী টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই মার্ক কলাজোনা দেনমার্ককী টুর্নামেন্ট অসিদা ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই রাসমুস গেমকে অমদি টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক ফ্রান্সকী লুকাস ক্লেবোট অনীগী অথোইবগা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

